“নিঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা”

ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

উশম ধরমেন্দ্র

নিঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা পূক্নিং নুংওল্লোইদবা মীতৈ কনা য়াওবগে। মবুংনা মচল নীংশিংই। মচলনা মবুং নীংশিংই। মায়কৈ ফাংনা ওংলিবী নিঙোল ওইবীশিংনা মপাম লমদম নীংশিংই। মতম কুইনা উনখিদ্রবী মতারোইশিং উনরগনি খন্দুনা হরাওজে। অমুকসু য়ূম্বাল মথোঙ চাদরে খঞ্জরিবী মৌগী শীংদা চল্লবীশিংনা মতম অমগী মতারোইশিং উনবদা তমগদবা ইপাউসিবু করিনো খনবদা পূক্নিং তয়াং তশোন্নে।

মশুং মমান্নবীশিংগী মরক্তা হেন্থোই শক্তম ওইখিবী মহাক্কী শন্নাংগী চেঙহি মনম অমুক্তং নম্লুবদা নুজাই শন্নাং জুম-জুম তাবীবু নীংশিংদুনা শন্নাংগী চেঙহি মনম খোঙ্গুল লীরক্লিবা খোইমুগী শক্তম লৌরিবা তম্বা কয়া কয়ানি। লাইবক্লা অমা, নীংজবনা অমা হায়দুনি পূন্সি খোঙচৎ। য়াওশঙগী থাবল শাবী-শানৌশিংগী নুংঙোল থাদা অমুক্তং থেংনখিবা মহাক্তুগা পূন্সি লৈপুন শেমখিবসু কোঙ্গাইনি। মীওইবগী পূন্সি তম্বা ঙমদে। নিংথৌ কোন্দগী হৌরকপীসু শারবা নুংশাগী মৈশালক্তা নৌজরিবী কোকথক্তা নূঙ-লৈঙোই থোল্লোই কনানা হায়বা ঙম্বগে। নিঙোল ওইবীশিংগী য়ূম্বাল মথোঙ চাদ্রবদি কেন্থরকপা উনানা লায়রবগী খাংপোক্কী চাকখুমদা নীংঙাইদনা পৈশিন্দুনা থল্লগা মদুনা মৈচম ওইরগা চরা চিন্দম্নরিবনি।

মীওইবগী পূন্সি খোঙচৎ তম্বা ঙমদে। মীতৈশিংগী পূন্সি খোঙচৎতা অসুম্না ওইরক্কনি কনানা হায়বা ঙম্বগে। তুংদা থোক্লগদবা হায়বা ঙম্বা অখণ্ড অহৈশিংনা করিসু হায়বা ঙমখিদ্রবনি। ঐখোয় মীতৈশিংগী পূন্সি খোঙচৎসিবু কদোমদা চৎলিবগে। মশাগী মরমদমদা মীচেল ওইদুনা মীতৈশিং কয়াম কুইনা হিংখিগদৌরিবনো। নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনবা লান থা তরানিপাল শুজিল্লক্লবনি। কৈদৌঙৈ লানসি লোইগনি তম্বা ঙমদে। য়ুনিয়ন লৈঙাক মবুক শেংদে। মসিদা পূক্নিং ফাথনবনি হায়দুনা ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী লৈঙাক্লা হায়রকপা ৱাহৈসু লাঞ্জেন্নরিবশিংনা তানীংবগী মহুত্তা থম্মোয়দা তাশোন্না থিনবগুম্মী। কুইরে মতম কুইরে। দবল ইঞ্জিনগী লৈঙাক্লা মচিন্দা থোকঅ-থোকঅবা ঙাঙদুনা লাক্লিবসি। লুরিবা লাক্লিবা ৱাফমদি অতৈ নত্তে, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লাঞ্জেন্নরিবশিংগীদমক্তা শেল অসুক কায়থরক্লে হায়বদু নত্তে। লাঞ্জেন্নরিবা মীতৈশিং মশা-মশাগী মরমদমদা হঞ্জিলহনবীয়ু হায়বনি। হান্নসু মশা-মশাগী শিনফমদা অদুমক হিংদুনা লাকই। হিংসু হিংখিগনি। মদুদি নত্তে, য়েলহৌমী মীতৈশিংনা মশাগী হৌরকফমদা মীচেন ওইদুনা লৈরি। লৈঙাক্লা মদুবু য়েংশিন্দুনা খুন্দাহনবা ঙমদ্রি। মসিরো ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসি। ‘মেরা ভারত মহান’। মসিবু মেরা ভারত মহানলো।

মীতৈশিংগী কুম্ফে য়াম্না কুংই। মদুগী ৱাহন্থোকসু তোঙান তোঙাল্লি। ৱাহন্থোকশিংদুগী মহাউসু খঙমিন্নবা মথৌ তাই। পীকখ্রবা ইরমদমসিদা অমনা অমবু হুন্নরুবগী মথৌ তাদে। ইঙেনগী নীনি পানবা রথ যাত্রাগী অয়ূক্তা ইনখৎলক্লিবী ‘যুবতি কুমারি’, ব্রাহ্মন শাগেদা পোক্লুবীনা ঙসিদি রথ যাত্রা নুমিৎনি হায়দুনা চেঞ্জ-চোংজবগী হোৎনজমল তাইবঙপানবু শেন্বীরিবনা অদুমক উরমগনি। অমুকসু লান্মৈগী মৈশানা মরূ কোক্লুরবী চীংদুম মচা-মচাশিংগী নাপোমদা অনৌবা য়েন্নিং হুল্লকপা মতম কুমজা তেকহৌনবা থাজ নৌহৌনবা শজিবু লাকয়েন তাইনবা কুম অমগী অনৌ-অপেনগা লোয়ননা শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবা নুমিৎকী অয়ূক্তা মথেল-লুকোই পায়দুনা পন্থৌগী নাক্তা লেপ্লিবী শন্নাং খোমগৎনদ্রিবী ইনখৎলকপী নিঙোলনা নিজবা অপাম্বসু তাইবঙ শেন্বা মপূনা লোইনা খঙলিবনি।

থমজনীংলিবা ৱাফমদি মীতৈশিংগী পূন্সি খোঙচৎতা হরাও-কুম্মৈ য়াম্মী। পূম্নমক্তু মীতৈ খুন্নাইনা শাগোন্নদুনা লাক্লি অমসুং নুংশিবা মশকসু য়াওরি, নুংশিনবু য়েংলদি ইনুংতা নুংশি হায়দুনি। রথ যাত্রা (কাং) গী থৌরী পায়বদা ‘যুবতি কুমারি’ কনাগী চেঙহি মনমগী নুংশিবা পূন্সিগী কাউবা ঙমদনা লৈনরিবনি। অমুকসু মীতৈগী লাই হরাওবগী লাইরোই নুমিৎতা অহিং মিৎশেল খাংদুনা উইশিল্লু য়াদ্রবা তনৌরিবী কনাগী মিৎস্না থম্বালনা তথক-তথক অহিং মিৎশেল মিৎচাননা খাঙমিন্নখিবগী মীৎকুপ নীংশিংদুনা তূম্বা য়াদ্রবা অহিং মতমগী মথেল অমা ওইনরিবনি।

মীতৈশিং শান্তি ওইনা ঈংনা চিক্লা লৈবা পাম্মী। মমাঙগী নিঙোল চাক্কৌবা মতমদা সোসল মীদিয়াদা উখি য়ূম্বান পূন্সিদা খোঙদাজবা কুইদ্রিবী মীতৈ নিঙোল অমনা তেংথা নাওইনা কপখিবা ‘ঐগীদি য়ূমসু মৈ থাদোকপীখ্রে, ইমা-ইপানা তন্বীরকপা অউনপোৎশিং তাঙ্গোই ওনখ্রে, ঐসু নিঙোল চাক্কৌবা চৎনীংই, লাঞ্জেন্নরিবা ইমা-ইপাশিংদা ঐনা করম নিঙোল চাক্কৌবা লাক্কে হায়রুগদৌরিনো’ তাবদা থম্মোয় কায়খি। পেন্দে নীংঙমদবা কয়াগী তেংথাখোলনি ঙসি ঐখোয়না তারি উরিবসি। অসুম্না পেন্দনা কয়াম কুইনা লৈখিগনি হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

মণিপুর কনবদা নিঙোল চাক্কৌবা তঙাইফদে

- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -

অদুঙৈ লাইনিংথৌ নোংদা লাইরেল পাখঙবা অমদি মশানৌ তালোই লৈস্না অনীনা লৈশেমঙৈগী মতমদুদনি। নীংশিংনরি মবুং অনী পোইরৈতোন অমদি থৱাইরেল অনীগী নাইতোম য়াওজবী মচল ইবেম্মা লৈস্নাবু চাক্কৌবীখিবা। হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবদনি। পোইরৈতোন চাকহাও খুদোল তমদুনা নিঙোল মগাইদগী মবুং অনীনা য়াইফ থৌজাল নীজখি। অৱা-নুংঙাই ৱারী শাজখি। লৈস্নানা পুরকখিবা মবুং পোইরৈতোন্না হাপ্লকপা খুদোল চাক, চাকহাওবু লাইনিংথৌনা হাওমনখ্রদুনা পোইরৈতোন চাক-হাও মীংথোনবীখিবনি। খুন্নাই অসিবু ঙাকখিবা নিংথৌরোল কয়াগী হাক্তক্তা লমদম অসিগী থৌদোক চৎনবী কয়া মমিং মথা হোংখ্রবসু নিঙোল চাক্কৌবা হায়বা মিংথোল অসিমদি হোংহনবা ঙমদনা চত্থরক্লি। শেংনা হেক হায়রবদা নিঙোল চাক্কৌবা হায়বসি খুন্নাই অসিবু মচোয়-মচোয় নান্থোকখিদনবা পুনশিন্দুনা থল্লিবা নুংশিনবগী থৌরী অমনি। চাক্কৌববু মচু-মমেন কয়া শংজিন্দুনা কুম্ফে ওন্থোক্লুবদগী ফত্তবা ওইনা ওনখি। অদুবু চাক্কৌবগী মরু ওইবদি হৌজিক-হৌজিক থোক্লিবা তুক্কচবশিংগী খুজিল থৌরাং ওইনা ৱাথোক অসিদনা হেন্না মমল লৈহল্লি। নিঙোল চাক্কৌবদি তোকপা য়াদবা মচাক অমা ওইরে।

নিংথৌরোল খরগী হাক্তক্তা পিবা চাক্কৌনরম্বগী ৱারীসু লৈরি। চাক্কী মরী হায়বসি ঈগী মরীনি। চামিন্নবা হাওবনি। পুমিন্নবা য়াংবনি হায়নরল্লিবসি অচুম্বনি। হন্দক ঐখোয়গী লৈবাক্তা তুক্কচবা, মরৈবাক লৈজদবশিংনা চত্থরকখিবা ভাইওলেন্সতা মায়রোং য়াখিবা ইরৈচাশিংবু ঐখোয়গী ইমাশিং অমদি চনু নিঙোল কয়ানা চাকথোঙ ফৌশু তৌদুনা মবুং মৌপ্পাশিংনা তুক্কচবা মীশিংগা চীংদা কারগা শয়েং পান্থোম ঙানরুবগী হল্লকপদা মথেল লুকোই থৌরাং তৌদুনা ঙাইরম্মী। মবুং-মৌপ্পা ওইবশিংবু অরাম-খৌরাংবা কোকহল্লি। লান য়াওরুবা ইচিল-ইনাওশিংনা ঐখোয়দা পাউদমখিবা লৈ। হন্দক্কী তুক্কচবশিংগা শোক্লবা লানসিদি ঐখোয় লোইনা নিংথৌ ওইহল্লগা শোক্লবা লাননি। মসি মচে-মচলশিংবু নুংশিবা উৎপা ৱাঙাঙনি। মচে-মচল ওইবশিংনা মবুং-মৌপ্পাশিংবু খ্বাইদগী তাঙবনি খঞ্জদুনা শামু পাঙ্গল ময়েং তাখিদনবা হোৎনখিবা অদো পিবা চাক্কৌবনি হায়রসু য়াই। য়েক্লবা মায়থীবা পীরম্বগী পাউদুনা মবুংনা মচলদা তম্বা চাক্কৌবগী খুদোলনি।

নুংশিজবা অমদি নুংশিবীবা অনীগী অপূনবা মশকপু নুংশিনবা হায়না খঙনরি। অপাম্বা অমদি পেলহনবনা পাম্মুবা কৌবা ৱাহৈ অমা শারেপ ফাহল্লি। ওজানা তাকখি ৱাশা অমত্তং থুদেকপা লুদে। ৱাশা মপূন থুদেকপদি লায়দে। অখণ্ড-অহৈশিংনসু হায় পূল্লবদি মায় পাক্কনি। পূন্নবা লম্বী থিবদি তৌনদ্রি। পূন্নবা অমত্তা ঙাইবা লম্বীনি নিঙোল চাক্কৌবা, পিবা চাক্কৌবা, কাঙলূপ চাক্কৌবা। থম্মোয় পুলহনবগী মরু ওইবদি ৱারী শানবনি। ৱারী শানবগী খ্বাইদগী ইমোসনেল ওইবা মফমদি চামিন্নফম্নি। ঐখোয়গী ইপা-ইপু নিংথৌরোলশিংনা মাগী ঈ ময়াম্বু কয়াগী মতিক লুনা থল্লম্মী হায়বদুগী খুদম্নি চীং কাহল্লমদনা তমগী মীয়াম ওইহল্লম্বা। চীংদা শম্বল ওইনা য়েক্লবা চঙদনবা ঙাকহল্লম্বশিংনা শকমান্নববু লীনগুম্না কাঞ্বদা চঙহল্লক্লি। থোক্লিবা থৌদোকসি অখঙবা কয়া খঙদবা কয়া ইয়ান য়ানশিন্নরি। অমম্বদা কোক থেঙ্গাইনরি। কোক মান্নদ্রবদি করম্না পুনগনি। পুনশিন্নবা ৱারী শাফম, খ্বাইদগী তাঙবা কুম অমদা অমুক্তং থোকপা নুমিৎনি নিঙোল চাক্কৌবা।

পেন্দবনা তৌফম খঙদদনা চাক্কৌবা য়াওরোই হায়বা ইচল-ইচেশিংগী পূক্নিং মীয়াম্না খঙই। কুমসি চহীগী চাক্কৌবদি ইচম চম্বা নত্তে, ইরৈবাক কন্নবগী ৱা তান্নফম মফম অমদা ঐখোয় থুংমিন্নবনি খনবীয়ু। চাক্কৌবা তোক্লুগা নীংবা থুংগদবা লৈত্রি। ঐখোয়গী ইথক্তা করিগুম্বা অরোনবা থৌরাং অমনা শান্নরিবা লীলানি হায়বসি খঙমিন্নরবা মতমদা ঐখোয়গী ইরক্তগী ইচা-ইনাও মাঙবা হন্থরক্কনি। ঐখোয়গী লৈবাক কনবদা ইরায় লায়হনগনি। ফৌমান খন্দোকপা হৈবা তাই। হৈত্রবদি চাক চাবা নুংঙাইহন্দে। ষ্টেট অসিদা হিংমিন্নবা নুংঙাইররোইদবা তুক্কচবা ফৌমান কনা কনানো ময়েক শেংনা খঙমিন্নফমদি নিঙোল চাক্কৌবা নুমিৎ অসিনি। নিঙোল চাক্কৌবা নুমিৎতা অপূনবগী ৱারেপ লৌমিন্নবনা কুমসিগী চাক্কৌবগী খুদোলনি খনমিন্নসি।

তুক্কচবা থৌদোক অসিনা চৈথেং পীরিবশিংবুদি লৈঙাক্লা নৎত্রগা মীয়াম্না রিলিফ কেম্প হাংদোক্তুনা হিংবদা খরতসু মতেং ওইনরি। মাঙখ্রবা থৱায়শিংগী মফমদা হৈ-লৈ কৎনরি। অথৌবা মীংথোল পীনরি। লৈবাক কন্নবগী পুৱারীদা মখোয়গী মিংলেন্দি মুৎনাইদনা লৈহৌরগনি। অদুবু রিলিফ কেম্পতসু লৈবা ফংজদবা, লৈঙাক্লা করম্না হিংলি হায়বসু নোংমতা হন্না য়েংবীদ্রবা, হাউস এরেষ্ট তৌবীবগুম কৈদৌঙৈ তাইবঙসে থাদোক্কনি ঙাইনা হিংলিবদি লমদমসিগী আর্টিষ্টশিংনি। শিনফম হোংবদা মীয়াম্না য়ারোইদবা আর্টিষ্টশিংগী অৱাবা কয়াগী ৱারীফম কুমসিগী চাক্কৌবনা ওইহন্নীংই। আর্টিষ্ট কয়াগী চাকখুম্না মৈ মূৎখিবা, মশা-মশাগী খূৎলায় য়োন্নখিবা, হিংবা ঙমদ্রবা নুমিৎতা থৌরী য়ান্নবা থৌরী কোল্লগা লেনখিবা আর্টিষ্টশিংগী ৱারীফম নিঙোল চাক্কৌবগী নুমিৎ অসিনা ওইহন্নীংই।

রিলিফ কেম্পতা লৈনা লৈনা শাজবা পোৎলমশিং লম্বী-লমজাওদা থোক্তুনা লম্বী চৎপা মীয়ামদা থৎলগা য়োনবা উরুবদা থম্মোয় কায়রি কার থৌবশিং। অদুবু পোৎ মচা অমত্তং লৈবা ঙম্বগী থৌনা য়াওদনা মথৌদুতং চৎনবা মচাগী শেম্ফু থুগায়রগা কারদুগী থাও হাল্লগা চৎলিবনি হায়বসিদি রিলিফ কেম্পকী পোৎ য়োঞ্জরিবশিংনদি খঙলল্লোই। পোৎ লৈবীখিদবগী খোয়শাওনবদুগা, শেল য়াওদদুনা লৈরক্তবগী নুংঙাইতবদুগা খায়বুংনহল্লিবা থম্মোয় অনীদুগী পুনফমদো নিঙোল চাক্কৌবনা ওইহন্নীংই। মবুং-মৌপ্বানা কৌবতনা চাক্কৌবা নত্তে, লৈঙাক্লা নৎত্রগা ভোলন্টরি ওর্গনাইজেসনশিংনা তৌরিবা অদুসু মমল খেন্নদবা, কুম অমগী চাক্কৌবনি। নিঙোল চাক্কৌবা নুমিৎকী ৱারেপ্তি য়েক্লবা মায়থীবা পীবা ঙম্বা ৱারেপনি। ফাইভ ষ্টার হোটেলদা ফংলিবা মথেলগী মহাওদগী নিঙোল চাক্কৌবদা ফংলিবা মহাওনা অপূনবা শাগৎপদা কান্নবা হেল্লি।

নিঙোল চাক্কৌবগী খুদোলবু রিলিফ কেম্পশিংদা শাবা পোৎলম্না মপূং ওইহনসি হায়বা খোল্লাও অচুম্বনি। অদুবু চাক্কৌবগী খুদোলদুদগী হেনবদি উনবদুনি। উনবদগী হেনবসু ৱারীদুনি। ৱারীদুনা পীরিবা খঙমিন্নবদুনি। য়েংবীয়ু ঐখোয়দা মীতোপ্পা পীরিবা চৈথেংদগী ঐখোয় মশেল পীনরিবা চৈথেংসিনা খাঙবা ঙমহন্দবা হেল্লি। তুংগী মীরোল কয়া লমদমসিদা হিংবদা থাজবা লৈরক্তদুনা মীগী লমদমদা চেন্নবা হেনগৎলক্লি। মসি অফবা খুদম নত্তে। মুল্লগা হিংনীংবশিংনা লূপ পংশেমদা শেম্বা চুমদবা পূন্সিরোলনি। মুনফমদগী মুন্নবা মীনা মশীং হেনগৎলক্লি হায়বসি খঙমিন্নবা চুমদবরা? নুংঙাইহন্দ্রিবা ময়ামসি খঙমিন্নদুনা তৌহৈদবশিং তৌনরগুমসি হায়বা ৱারেপ অসিমত্তং হন্দক্কী নিঙোল চাক্কৌবগী খুদোল ওইমিন্নরবদি মণিপুর কনবদা নিঙোল চাক্কৌবনা অকনবা অচেৎপা থৌরী শোয়দনা ওইগনি থাজে। ●

মায়থীরবা লান্মী অমা - ১

- সামোম রঘুমনি -

ঐনা ঙসি চৎলিবসে পূন্সি লম্বীদা অনৌবা খোঙচৎ অমনি। মসিবু মায় পাক্লবা পোকপগী মহয় য়ানগদৌরিবনি। খোঙচৎসি চৎত্রিঙৈদা ঐখোয়গী লান্মীশিং ঙল্লিঙৈদগী শঙলেনগী মকোক্তা মীয়াম পূনবা হৌরে। ঐখোয়গী লুচিংবনা চিখ্থ-নান্থহৌবা কনা-কনা ৱাৎলি হায়দুনা য়েংশিল্লি। তোঙান-তোঙানবা কেম্পতা লৈরুবা নৌনা শক খঙনবা কয়াসু ঙসিগী লানজংসিদা শরুক য়াগদৌরি। লান্মীশিং ফনা য়াম্না পুল্লে। তাঞ্জাসি য়ৌরকপা মতমদা ঐনবু হায়রুই, “ঙসিগী খোঙচৎসি পূন্সি লম্বীনা নোংচুপ চীংয়া পাংলক্লুবা ঐগীদি অহানবনি। মীয়ামগীদমক ঐগী হকচাংসে কখোক্কে লেপ্লবনি”। ঐগী ৱাহৈদুদা চৎনবগীদমক ঙাইনরিবা ময়াম্না “অদোমদি খ্বাইদগী লাইবক ফবা মীশক ওইরগদৌবনি। চহী য়াল্লবা নঙনা কখোকপগী থৌনা লৈবগীদমক”। মখোয়গী ৱাহৈ তারগা থম্মোয়দা মোমোন নোকচৈ। অদুনা ঙসিগী খোঙথাংসে ঐগীদি পূন্সিদা থেংনগদৌবা অনৌবা চাংয়েংগী খোঙচৎনি। ইশা-ইশাগী খূৎশু-খূৎলায়শিং শুনা চৎকদবা গাড়ীদা হাপ্লে। ঐখোয় লানফমদুগীদমক খোঙশানবা হৌরে। মতম থেংলবনিনা চিখ্থহৌবা লান্মীশিং মথংগী কেম্প তম্না লাক্লুবা হায়রম্লগা চৎলিবা খোঙচৎতুনা চৎন-চৎন নীংশিংলি।

লানফমসিদা চৎনবা অয়াবা পীখিবা ঐগী খোঙচৎসে অরোনবা ওইনা থল্লে। ঐগী নক্লা লৈমিন্নরিবা নুপী অঙাং কনাদসু হায়দোক্লরোই। লানফমসিদা লানঙম ফিরাল পায়দুনা ইথৌ পাঙথোক্লুরগা তকমান পুদুনা মখোয়গী মমাঙদা লেপকে । ৱাখলসিনা মাঙ থারগা ঙসি অয়ূকসে ঙন্না হৌগৎলে। অমমম-অঙান শিন্নবদু উবা মতমদুদা নোংপোক ঙানবা অঙানবা মাবু পূক্নিং চঙনা খুরুমজরে। ইমুংগী থবক মচা অমা/অনী শূরগা য়ূমগী নুপী-অঙাং ঙাইরুরবদি থেঙবা য়াই অদুগী মথক্তা কদাইদা চৎতোইনো হংলদি ঐনা খল্লিবসে কায়বা য়াই খন্দুনা ঈরুরগা ঙন্না চাকখুমদা চঙদুনা চানবা চাক থোংনবা হোৎনরে। নুপীদা ঐনা হংলুই,

“ঙসি করি এঙ্গাং থোংসিগে?”

“চাকখুমদা লৈরিবদুদগী অমা হেক্তা থোংবীরো। কোবীসু মনা-মশিং খরসু লৈবনি।”

“ফরে-ফরে” হায়দুনা ঐনা খঙনা অরৈবা খরদুদগী খল্লগা থোংলে।

নুপীদি মমাঙগী ইঙ্খোল মচাদুদা মনা-মশিং থানবা হোৎনজরি। ঐনা মপান থোরকপা তাঞ্জাদা মানা হংলকই,

“কদাইদা চৎতোইনো?”

“হোস্পিটালদা” ঐনা তেন্না খুম্মী।

ঐ থোং-থাকপা লোইশিল্লে। ইচানুপী কৌদুনা মখাদি লোইশিন্নবা শিন্নরে। মানসু ঐনা থোংবা নত্তবা অহেনবা মথেল খরগী শেম শারি। ঐদি চাগদবা খা চারগা চৎনবগী ফি হোংলি। নুপীনা ঐগী মওং উবদা হংলকই,

“নঙবু চাক চারবরা?’

“চারে” ঐগী পাউখুমনি। মা মখা তানা করিসু হায়রক্ত্রে।

ঐসু আই আর বি এসকী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইনা চহী খরা লৈরুবনা ঙসিগী কোভিদ-১৯গী মরমদা দি সীগী পাউতাক মতুংইন্না ডাক্তরশিংগা লোয়ননা সোসল দিষ্টেন্দিং, মাস্ক উপ্পা, খূৎ-শা শেংনা হাম্বা হায়বনচিংবগী ৱাফম খঙহনবা তোঙান-তোঙানবা মফমদা হেক-হেক চৎলি। অদুনা মা করিসু খল্লমদবা য়াই। ঐনা হায়দোক্তবগী মরমদি চৎলিবা খোঙচৎসিদা ইথৌ পাঙথোক্লুরগা তকমানগা লোয়ননা লাক্লগা মখোয়দা উৎপদুনি। মহৌশাদগী শেৎ-চাবা ফিজোলশিং শেৎলগা ঐগী গাড়ী মচাদু থৌদুনা য়ূমদগী থোরক্লগা মফম অসি য়ৌরকখিবনি।

হৌজিক ঐখোয় কেম্প নম্বর ২ য়ৌরে। গাড়ীদগী কুমথদুনা মাগী-মাগী পোজিসন্দা লেপ্লে। মণিপুরগী মপান্দগী হল্লকপা মীদৌনা ঐখোয়গী লান্মীশিং ফিজিকেল দিষ্টেন্সতা লেপ্তুনা মথং-মথং মেছিন অমনা লাইবক্তা টেম্পরেচর য়েংবা হৌরে। কোভিদ মরকসিদা চাংয়েং অমদি মায় পাক্লদুনা পরেং শানা ঐখোয় লানফমগী লম্বীদা মায় ওনশিল্লক্লে। অহানবা ফ্লোর হেক কাখৎপগা য়েৎ থংবা কাগী মচিন্দা টেবল মনাক্তা ইশা-ইশাগী বাইও দাটা লৌনবা থোঙ ময়াদা লৈরিবী মেদামদুগী মমাঙদা লেপ্লে। লেদিজ ফর্ষ্ট হায়নবগুম ঐখোয়গা লাকমিন্নবা নুপী লান্মীশিং মাঙদা থংলগা তরেৎশুবা মশীংদু ঐগী তারে। ঐগীসু ইপা য়ৌরক্তুনা ঐগী শক্তাক চে পীরে। ঙক্তা শিরিবা কার্দতগী মিং লৈফম ইশিল্লিবা মেদামদুনা ঙক্লা হায়রকই,

“এ মিংসিদি ঐখোয়গা কোলেজদা ক্লাস অমত্তদা তম্মিন্নবা ইমান্নবা রঘু নৎত্রা?”

ঐসু ইঙক-ঙক্লা ‘হোয়’ হায়নদা খুম্মী। কনানো হায়বদি থোইদোক্লা খঙলুদে। মানা হৌমিন-কামিন্নবা অমা ওইনা নহা ওইরিঙৈ কোলেজ তল্লিঙৈগী ৱারী মতেক অমা লীনা-লীনা ইশাগী অরূম্বা লৌরি। অদুগা থংনবা কাদা চঙনবা লন্না-লন্না লেপ্লিবা পরেংদুগী মী মঙাগী তুংদা ঐ লৈরে। লাঞ্জংসি অরায়বা নত্তে। হৌজিক ঐ মেদিকেল টেষ্টকীদমক ডাক্তর লৈরিবা কাদা চঙনবা শেম শারে। মায় পাকপগী লম্বীদা চৎলিবা লান্মী অমগী মোমোন মীনোক তল্লি ঐগী থম্মোয়দদি। খল্লি ঐসু ঙাইহাক্কী তুংদদি লাকমিন্নবা লান্মীশিংগুম মোমোন মীনোক্তি তল্লনি। ঐগী মপা য়ৌরক্তুনা ডাক্তরগী থোঙ মনাক্তা লেপ্লগা,

“ডাক্তর ঐ চঙজরকপা য়াগদ্রা?”

ডাক্তরদুনা, “হোয় চঙবীরকউ, ফম্বীয়ু।”

ডাক্তরগী অয়াবা ফংলবা মতুংদা কাদুদা চঙলক্তুনা মাঙদা লৈরিবা চৌক্রিদা ঐহাক ফমথৈ। মপান্দগী য়াওরকপা ইশাগী বাইও দাটা ইবা চেদু ডাক্তরদা পীশিল্লি। মানা চেদু য়েংলগা হংলকই,

“ইশাদা করি নুংঙাইতবা লৈবগে?”

“করিসু লৈজদে।”

“মসিদা ইরিবা চহীসি অচুম্বরা?” ●

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০০

১) **“অশেংবা অওইবা থৌদোক ময়াম অমা অহান অকোন নাইনা লেংশিল্লগা মী অমগী পূন্সি হেক্তা ওইবা য়াদে।”** ৱাহৈ পরেং অসি লাইরিক অমগী অহানবা পন্দুপ্তা য়াওবনি। লাইরিক্কী মমিং অমদি অইবা অসি কনানো?

২) **“থাকল মরোল তরেৎ খল্লবা, ফিজঙ তরেৎ খাজিল্লবা, লারোল তরেৎ খুমজিল্লবা, চফু কংনানগী মনুংদা য়াওবা... অশেংবা মীতৈলোল অমা ওইরকপা ওইসনু।”** ৱাহৈ পরেং মতেক অসি লাইরিক অমগী অইবগী ৱারোলদা ইবনি। অইবা কনাগী করি লাইরিক্তা য়াওবগে?

৩) **“ডেথ বেক্তা**
ঐগী শিবগী ওর্দর থোক্লকই।
হৌজিক হৌজিক্তি
ইশাদি করিমতা তৌদ্রি।”

শৈরেং মতেক অসি য়াওরিবা লাইরিক অদুগী মমিং করি কৌবগে? অইবগী মিং হায়য়ু।

৪) **‘হন্দক মরকসি ঐবু ইঙাও ঙাওহল্লি শকখঙনদ্রিবী নঙনা। মীকুপ অমা ফাওবা ঐহাকপু লৈতাফম খঙহন্দে।”** ৱাহৈ পরেং অসি ট্রেভেলোগ অমগী অহানবা পন্দুপ্তা য়াওবা ৱাহৈ পরেং অমনি। লাইরিক অসি কনানা ইবগে? অইবগী মিং হায়য়ু।

৫) **“নমিং করি কৌই”**
“ইন্দ্রানি”
“কদায়দৈনো”
“লমশাংদগীনি”

ৱাহং পাউখুম অসি ৱারীমচা অমগী লাইরিক্তা য়াওবনি। ৱারীমচা অমসুং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা’

(নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৩৪৮)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

তিমেন তা মখুৎশু। খোকলাং তাখোক মনুং চঙবু। খুরেল য়াইফুমবু। খুরেল চলনা খুরময়ে। অদু নুমিৎতগী লোইবী সেককু চীঙ ও। মিংকৌনৈয়ে। লোইবী সেককু চীঙ। কৌবা মাপুঙয়াইদা। তুবী মৈদিংঙুনা। হুয়েল লালদা মরাং হৌনা। লাইরেল মতিঙ থোকনা। হুয়েল লালদা খৌশাবদি। হুয়েল লাল হুয়েল লালদাঙৈদি। তৈকোংবী মরেম হাওবা নমঙালপাবু। লাকচাথীনা লালঙমলে। লাইরেল মৈদিংঙু থাংবী লালথাবা নুরাফাবা ও। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'

(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯳꯴꯸)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯝꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫꯫)

ꯇꯤꯃꯦꯟ ꯇꯥ ꯃꯈꯨꯠꯁꯨ꯫꯫ ꯈꯣꯛꯂꯥꯡ ꯇꯥꯈꯣꯛ ꯃꯅꯨꯡ ꯆꯪꯕꯨ꯫꯫ ꯈꯨꯔꯦꯜ ꯌꯥꯏꯐꯨꯝꯕꯨ꯫꯫ ꯈꯨꯔꯦꯜ ꯆꯂꯅꯥ ꯈꯨꯔꯃꯌꯦ꯫꯫ ꯑꯗꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤ ꯂꯣꯏꯕꯤ ꯁꯦꯛꯀꯨ ꯆꯤꯡ ꯑꯣ꯫꯫ ꯃꯤꯡꯀꯧꯅꯩꯌꯦ꯫꯫ ꯂꯣꯏꯕꯤ ꯁꯦꯛꯀꯨ ꯆꯤꯡ꯫꯫ ꯀꯧꯕꯥ ꯃꯄꯨꯉꯥꯏꯗꯥ꯫꯫ ꯇꯨꯕꯤ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨꯅꯥ꯫꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯂꯗꯥ ꯃꯔꯥꯡ ꯍꯧꯅꯥ꯫꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯇꯤꯡ ꯊꯣꯛꯅꯥ꯫꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯂꯗꯥ ꯈꯧꯁꯥꯕꯗꯤ꯫꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯂꯗꯥꯉꯩꯗꯤ꯫꯫ ꯇꯩꯀꯣꯡꯕꯤ ꯃꯔꯦꯝ ꯍꯥꯎꯕꯥ ꯅꯝꯉꯥꯂꯄꯥꯕꯨ꯫꯫ ꯂꯥꯛꯆꯥꯊꯤꯅꯥ ꯂꯥꯂꯉꯃꯂꯦ꯫꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯊꯥꯡꯕꯤ ꯂꯥꯂꯊꯥꯕꯥ ꯅꯨꯔꯥꯐꯥꯕꯥ ꯑꯣ꯫꯫ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।